**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-12-2024)**

**---**অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজম সুনিনা পাউ পাজরি**---**

--অহানবদা মরুওহবা পাউ--

১) ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা পোপি থাবা তোক্কুনা চাউখৎ লম্বীরোমদা মীয়াম পুন্না চংশিনমিন্নরশি।

২) মণিপুরগী জিলা ৬ তা চথরিবা নুমিৎ ১০০ নিগী টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মীওই চাউরাকা লাখ অনি হেন্না স্ক্রিনিং অমসুং টেষ্ট তৌনবা পান্দম থল্লি।

৩) মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ ২০২২ ফংগদবা মীওইশিংগী মীং লাউথোক্লে।

৪) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংদা কা হেন্না লৈচিল থারবা য়াই।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা প্রি-বজেৎ কন্সলটেসন মীফম উদ্যোগশিংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

**-----**

বিশ্বজিৎ (এল) ঃ  অনৌবা চহিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা মীয়ামা পোপি য়ান্থৎপদা মতম মাংহনবা, পোপি পান্বী মাংহনবদা খৎনবগী থৌওং অমদি পোপি থাবা তোকবা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা আপীল তৌরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা  দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী ওদিতোরিয়ামদা বিভাগ অসিগী ইং ২০২৫ গী অনৌবা চহিগী কেলেন্দর ফোংবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- মালেম শিনবা থুংবদা ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিংনরক্লিবা অসিগী য়েংলগা রাজ্য খুদিংমকা লৌগদবা থৌদাংশিং কেন্দ্র সরকারনা পীরি। ষ্টেট নোদেল এজেন্সি অমা ওইনা ইনভাইরোনমেন্টে ক্লিয়ারেন্স পীনবগীদমক ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্টকী দাইত্ব পীরি। মসিগী মথক্তা লম লৌশিন্নবা সোসিয়েল ইম্পেকট এসেসমেন্টকী দাইত্ব পীবা, পাৎশিং য়োকখৎনবা মণিপুর ষ্টেট ৱেট লেন্দ ওথোরিতি ওইবা,  মোৎশিল্লবা তুরেলশিং নৌহৌননা শেমগৎনবা রিভর রিজ্‌ভেনেসন কমিতি শেম্বা, ক্লাইমেত চেঞ্জগী এক্সন প্লান শেমনবা ষ্টেট নোদেল এজেন্সি ফোর ক্লাইমেত চেঞ্জনচিংবা শেমবগী দাইত্ব পীরি।

মন্ত্রিনা হায়- ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্ট পোলিসি ২০২৫-৩০ অমসুং ষ্টেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট রিপোর্ট ২০২৫ শেম্বগী থবক চথরি। ইম্ফাল, কোংবা তুরেল নৌহৌননা শেমগৎনবগীদমক সরকারনা শেনফম কাইথোক্লে। তুরেলশিংদগী প্লাষ্টিক য়াওনা অমোৎ অকায়শিং খোমগৎনবা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলনা অয়াবা পীরক্লে । য়ারল পাৎ, জাইমেং পাৎ, ৱাইথৌ খুমনোম পাৎ অমসুং উত্রা পাৎ শেমগৎপগী থবক চথরি।

থৌরম অদুদা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর টি. ব্রজকুমার শরুক য়াখি।

টিবি (এল) ঃ  মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলা ৬ তা চথরিবা নুমিৎ ১০০ নিগী ওইবা টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেনদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মীওই চাউরাকা লাখ অনি হেন্না স্ক্রিনিং অমসুং টেষ্ট তৌনবা পান্দম থল্লি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না টি.বিনা লাইনা নাহনবা য়াবা মীওই লিশিং  ৮৫,০৯৬ খঙদোকপগা লোয়ননা মীওই লিশিং ৪,২৭৫ স্ক্রিনিং তৌরে হায়না ষ্টেট টি.বি.

ওফিসার ডাঃ হেমলাতা থোকচোমনা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা ষ্টেট টি.বি. সেলদা ঙসি ঐখোয়গী পাউমীগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ডাঃ হেমলাতানা হায়- নেসনেল ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী মখাদা রাজ্য অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদসু কেম্পেন অসি মায় পাকা চখুরি। হৌজিক ফাওবদা জিলা ৬ অসিদা পুন্না মীওই ৫০ দাইগোস তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ৪৩ মখা তানা লায়েং চখুবা হৌখ্রে। মহাকা হায়- নুমিৎ ১০০ নি চখুগদৌরিবা কেম্পেন অসিদা এক্সরে স্ক্রিনিং অসি য়ামমক মরুওই। অদুবু চীংগী জিলাশিংদা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদদি এক্সরে স্ক্রিনিংগী খুদোংচাদবা মায়োকরি। মরম অসিনা হেন্দ হেল্ড এক্সরে মেছিন পীবীনবা সরকারগী মরী লৈনবশিংদা হায়জখিবা লৈরে। লোয়ননা কেম্পেন অসি মপুং ফাহনবদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা ডাঃ হেমলাতানা আপীল তৌরি।

মীতিন (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌদা লৈবা কে.ভি.কেদা ২৩ শুবা সাইন্স এদভাইজরি কমিতিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা হান্নগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি থৌনাউজম চাউবা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা কে.ভি.কে. উৎলৌ, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভসির্তি অমদি নবার্দকী সাইন্তিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি।

এৱার্দ (এল) ঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ফেলো, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি য়ং টেলেন্ট এৱার্দ ২০২২ ফংগদবা মীওইশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। মনাশিং অসি রাজ্যপালনা য়েন্থোক্কনি।

মীওই অনিদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ফেলো পীরগনি। পার্ফোমিং আর্টসকী ওইনা ডান্স অমসুং ম্যুজিক্তা মীওই অহুম-অহুম, থিয়েটর, আদর ফোর্ম ওফ আর্টস অমসুং ট্রাইবেল কলচরদা মীওই অনি-অনি, শুমাং লিলা অমসুং থাং-তাদা মীওই অমমম পুন্না মীওই ১৪ মনা পীরগনি।

লিতরেচরগী ওইনা মীওই অহুম খনগৎতুনা মনা পীরগনি। ফাইন

আর্টসকী ওইনা মীওই অনি অমসুং য়ং টেলেন্ট এৱার্দনা  তোঙান তোঙানবা লমদগী খনগৎলবা মীওই ৬ তা পীরগনি।

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ফেলো ফংবা মীওইশিংদা লুপা লাখ অমমম, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দগী ওইনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ অমসুং য়ং টেলেন্ট এৱার্দ ফংবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ২৫-২৫ গী শেনফম পীরগনি।

সনাজাওবা (এল)ঃ     ওজা সনাজাওবা মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শিন্দুনা নেসনেল রেজিস্তর ওফ সিতিজন্স(এন.আর.সি)না অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা পীরিবা কান্নবা অমদি শিংনবশিং হায়বসিগী মতাংদা ১২ শুবা ওজা প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবা মেমোরিয়েল লেকচর ২০২৪ পাঙথোকিখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা বুকলেট অমা অমসুং আইদিয়া ওফ মণিপুর সেরিজ ৱান-ফোকস-জিরিবাম ফাইলস হায়বা লাইরিক অমশু ফোংখি।

লাইরিক (এল) ঃ     শ্রীমতি খ্বাইরকপম সুনিতা দেবীনা ইবা লাইরিক- নুরা শিংথারোল ঙসি ইম্ফালদা ফোংখ্রে। দ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিনবা লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ- তোইজম তম্ফা, দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার কোইজম শান্তিবালা দেবী অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম হেদ অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্ম শরুক য়াখি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী থৌবাল ৱাংম তাবা শোরোক মখাদা লৈবা সাই মন্দিরদা ঙসি য়েংখোম ইন্দিরানা ইবা- লিক্লাংলক্তগী লিক্লু খরদং হায়বা নিংশিং ৱারী লাইরিক অমা ফোংখ্রে। মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালনা শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দ , নিউ দিল্লিগী হান্নগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরন কুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক থোক্লিবা কাংুলপকী ইরাংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

মীফম (এল)ঃ ওল মৈতৈ পাংঙল য়ুথস এসোসিএসন লিংখৎখিবগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তাদা লৈবা খুমন গ্রাউন্দদা হৌজিক পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ থোঙাম শান্তি শরুক য়াখি।

ফয়ার (এল) ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা মৈহৌ লংপোক থোক্লকপা মতমদা করমা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা মরিসুবা বেটচকী ওইনা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা বেসিক ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতি প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ককচিং ফয়ার সবষ্টেসনদা হৌখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ফয়ার সেফতিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। তুংদা দেমোন্সত্রেসনসু মীয়ামদা উৎখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ককচিংগী অকোইবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল ১৩ গী মীহুৎশিং, সি.ঐচ.সি ককচিং, জিবন হোস্পিতাল অমসুং ইমা হোস্পিতালগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

তুরেল (এল) ঃ ককচিংগী ইরুম তুরেলবু কনবীনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা পুনদুনা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা ইরুম তুরেল অসি নোংম নোংমগী মোৎশিল্লকপা হেনজিল্লকপদগী তুরেলগী মমি শামজিল্লকপনা মরম ওইদুনা মসি কলহৌনবা মুখ্য মন্ত্রিদা অইবা চেরোল অদু পীশিনখিবনি।

জিরি (এল) ঃ জিরিবাম জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার তোইনা শিনবা য়ানিংদে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নিংশিং খুলদা লৈবা সি.ঐচ.সি অসিবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী থাক্তা পুখৎপীয়ু হায়বা দাবী তকশিন্দুনা হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিংনা ঙসি হেলথ সেন্তর অসিদা ৱাকৎ মীফম চত্থখি। ঙসি জিরিবামগী নিংশিং খুলদা লৈবা সি.ঐচ.সিগী ও.পি.দিদা চত্থখিবা ৱাকৎ খোঙজং অদুদা হোস্পিতাল অসিগী ডোক্তর, নর্স অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টাফশিং য়াওবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ষ্টাফ অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎপীয়ু, নোংগী খুশুমল পীদুনা থল্লিবা ষ্টাফশিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা

খুৎশুমলশিং অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়বনচিংবা দাবীশিং তকশিনখি।

ৱাকৎ (এল) ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওক্রম চুথেক্তা লৈবা চনুরাশিংগী য়াইফ থৌরাং লুপ অমদি নহারোল য়াইফ থৌরাং ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা লাইনিংথৌ নাউথিংখোং হরাও শঙলেনদা খুল ঙাকপা হাৎপা য়ারোই, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়বা দাবী তৌদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

মেট ঃ  মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লৈবাক অসিগী কোনুং নিউ দিল্লি য়াওনা অৱাং ভারত্তা ঈংবগী চাং হেনগৎলক্লগনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা অনৌবা চহি লাকপগা লোয়ননা ঈংবগী চাং খঙহেন হেনগৎলগনি।

আই.এম.দিগী সেনিয়র সাইন্তিষ্ট ডাঃ সোমাসেন রোইনা অকাশবানিদা হায়- অৱাং নোংচুপ ভারত্তা ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি। মহাকা হায়- তামিলনাদুগী সমুদ্র খোঙবানগী লমদমশিংদা অকনবা নোং চুরাবা য়াই।

পঞ্জাব, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংদা কা হেন্না লৈচিল থারবা য়াই। উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪ দগী ৬ ফাওবগী চাংদা ঈংলবা য়াই হায়রি। পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি অমসুং রাজস্থানদনা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা ঈংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৩-৪ ফাওবা য়ৌরবা য়াই। মহারাষ্ট্রদসু লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ঈংবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২ দগী ৪ ফাওবা য়ৌরবা য়াই হায়রি।

বজেৎ ঃ  কেন্দ্রগী শেল থুম অমসুং কোর্পোরেট এফ্যারস মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা প্র-বজেৎ কন্সলটেসন মীফম উদ্যোগশিংগী মীওইশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ফাইনান্স, ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ পাব্লিক এসেট মেনেজমেন্ট, ইকোনোমিক এফ্যারস, দিপার্টমেন্ট ফোর প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্তরনেল

ত্রেদ অমসুং কেন্দ্র সরকারগী চীফ ইকোনোমিক এদভাইজর য়াওনা বিভাগশিং অসিগী সেক্রেটরিশিং শরুক য়াখি। শেনবা চহি ২০২৫-২৬ গী কেন্দ্রগী বজেৎ অসি শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমননা লেপ্তুনা পুথোকপা ৮ শুবা বজেৎ ওইরগনি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রী হরিকোতাদগী ঙসি ওর্বিত্তো লৈবা স্পেস ক্রাফটকী দোকিং অমসুং অন-দোকিং তৌবা উৎনবা সেটিলাইট অনি থাগৎনবা মপুং ফানা শেম শারে। ঙসি নুমিদাংগী পুং ১০ গা সেকেন্দ ১৫ চৎপা মতমদা ভারতকী পী.এস.এল.ভি-সী-৬০ রোকেটনা স্পেস দোকিং এক্সপরিমেন্ট তৌনবা সেটিলাইট অনি-এস.দি.এক্স-জেরো ৱান অমসুং এস.দি.এক্স-টু য়াওনা তোঙান তোঙানবা পেলোট ২৪ থাগৎকনি। মথং চহীগী জনুৱারি থাগী অহানবা চয়োলদা সেটিলাইট অনি অদুনা স্পেস দোকিং চাংয়েং অদু পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অসিনা মাই পাক্লবদি থা য়াওনা পৃথিবীগী ৱাংমদা লৈরিবা গ্রহশিংদা চত্তুনা মফম অদুগী নুং অমসুং লৈবাকশিং পৃথিবী লৈমাইদা পুরকপা ঙম্লগনি। মসিনা ভারতপু মালেমগী ওইনা অসিগুম্বা মখলগী সেটিলাইট থাগৎপগী লমদা মরিশুবা লৈবাক ওইরগনি।

য়ুএস ঃ আমেরিকাগী হান্নগী রাষ্ট্রপতি জিম্মি কার্টর জিওরজিয়াগী প্লেন্সতা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ১০০ শুখ্রে। মহাক অসি খ্বাইদগী পুন্সি শাংনা হিংবা রাষ্ট্রপতিশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং ভারত্তা লাকখিবা আমেরিকাগী অহুমসুবা রাষ্ট্রপতিনি। জিম্মি কার্টর উনশাগী কেন্সর অমসুং ট্যুমরনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। এটলান্টাদা লৈবা কার্টর সেন্তরনা মহাক ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে হায়না লাউথোকখি। জিম্মি কার্টর ইং ১৯৭৭ দগী ১৯৮১ ফাওবা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি ওইরম্মী। মহাক ইং ২০০2 দা নোবেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুমখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাদগী--

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইনা আর.সি.এ লিলোংবু রন ৩ দা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা বি.কে.সি.সি বামোন কম্পুনা এল.সি.সি লমশাংবু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

ক্বানকিদো (এল)ঃ মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা মথং থাগী অহুমদগী মঙা ফাওবা চথগদৌরিবা ৬ শুবা ক্বান-কি-দো নেসনেল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুরগী টিম অসিদা নুপী শান্নরোই ১ য়াওনা শান্নরোই ৬ অমসুং ওফিসিয়েল অহুম য়াওরি।

ফেন্সিং (এল)ঃ ৩৫ শুবা নেসনেল সেনিয়র ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ হয়েংদগী কেরলাগী কনুরদা লৈবা মুন্দায়র ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। মথং থাগী অহুম ফাওবা পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই ২৪ শরুক য়াগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ফুটবোল ঃ বেঙ্গলুরুদা শান্নবা নুপী ফুটবোল টিমগী ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ভারতনা মোলদ্বিপসপু পাঞ্জল ১৪-০ দা থোইখ্রে।

হোক্কি ঃ হোক্কি ইন্দিয়া লিগতা য়ু.পি. রুদ্রস কা বেদানতা কলিঙ্গ লেন্সরগা ঙসি শান্নরগনি। মেটচ অসি রুরকেলাগী বিরসা মুন্দা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৮ মিনিত ১৫ দগী হৌগনি।

------